# শকখঙদবা কনাবু থিরুবদা ফংগদ্রা - (২)



**- এস ইন্দ্রকুমার-**

মরুপ নোংপোকঙানবগী ৱাহৈদুনা তূমিন লৈহনখ্রবা ঈশৈগী ওজাদুগী মতৌ, ‘প্রভু যিশুদি হিন্দু ওইরম্লে’ হায়বা ঐগী ৱাহৈদুদই মখা শমথরকখিবা হোৎ ওইরবা অর্গুমেন্ট অদুনা ঐবু ৱাখল খন্থহল্লকখি- ঐগী প্লে ‘যিশু পোকপা অমসুং শিব’গী প্রোজেক্ট, মখা তানা পায়খৎখিগদ্রা? নৎত্রগা পায়খৎলরোইদ্রা? রিহার্সেল হোল ৱায়বগী থবক্তুমদি তোকথোক্লে, মফমদুদা দ্রামা-রিহার্সেল-অশীংবা থৌশিল ওইররোই। তৌবা তারবসু অতোপ্পা মফম অমা য়েংবা তাই। ঐনা ঙাইখিবা মরুপ অদু লাকপা ঙাইদনা হৌগৎলগা থোরক্লে। নোংপোকঙানবনা থোরক্লমদাই’ হায়রম্মী…‘লাইনিংথৌ খুভম, সংস্কার তৌবগী থবক্তুমা লেপ্পীয়ুকো ওজা, নৎত্রবদি নখূত্তু থুনা কেনগনি’…। অমদুসু, ৱাখল খন্থরক্লমগনি। করিমত্তা খুল্লক্তে। থন্দবা চফু মখোল থোকই হায়নবা অহল-লমনগী ৱাহায়দু মহাক নীংশিংলক্লমগনি। ঐসু খনখি নুমিত্তুদা লাইনীং-লন্থী/রিলিজন/ধর্ম্ম হায়বসিগী মতাংদা কৈদৌনুংদা মরৈ য়েৎনরোইদবনি। থাজবা হায়বসি লায়েংবা ৱাবা, তমথীরবা অনাবা অমনি।

লাইরিক খরনা অকনবা ইথিল পীরক্তুনা ইগে অমদি পুথোক্লে খনখিবা দ্রামা ‘যিশু পোকপা অমসুং শিবা’ হায়না মিংথোনবা প্রোজেক্ট অদু মখা তানা পায়খৎত্রিঙে ঐগী ওজা, গাইদ অমসুং মেন্টর ‘রতন থিয়াম’গা অমুক্তং তানহৌবনা ফগদবা মাল্লে খন্দুনা ‘কোরস-থিয়েটর-কমপ্লেক্স’তা চৎলুববু, অমুক অনীরক থেংনরক্তে, লৈরমদে। অনী-অহুল্লক লাক্লবদুদা ‘অরুবা ৱা ওইরম্লনি’ খল্লমাল্লে, ইবোমচা সোরেক্লা হায়রকখি, ‘ওজা! হয়েং, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং নিপান/মাপন অদুৱাইদা লাকপীরো, শোয়দনা উন্ননবা শিনজরগে’।

পুং নিপান চপ চানা থুংখি ঐ। অদুসু অমুক ঙনমল্লম্লে। ওজা মশা লাক্লমদ্রি। নাউরেমথোংফাওদং থোক্লগা চা থক্লুখিগে, তল অমা চারুখিগে হায়রল্লগা থোরক্লে। অমুক হল্লকপদদি পুং মাপন তাদৌরম্লে।

‘ওজানা হেক থোকখিবগা ইকুই কুইদনা ঐখোয়’ ওজাসু থুংলরে, খজিত্তংদা থৈনবনি… হৌজিক্তি, মাইবা হায়গদ্রা ওজাগী হকচাং শাজেল তৌবদা তেংবাংবীবা, মালিশ তৌবদু লাক্তনা শাজেল হৌখিবতা ঙায়রি, কমদৌসিগে ওজা’?

‘শাজেলদুবু মিনট কয়া চঙগদগে’?

‘মিনট নিফুমঙা/পুংমুক্তি চঙবনি’।

‘অস! অদুদি কুইমনখ্রনি, পঙকুই কুইগদবা নত্তে, ৱারী মতেকে অমত্তনি, শাজেল তৌন-তৌনা শাবা য়ানি অমুক্তং হায়বীরুগেরা’?

কোরসকী এক্টরশিংগী দিসিপ্লিন অমদি ওজাগী রেস্পেক্ট অঙকপনি। ৱাফম অদু হঙ্গৎলুবা ফাওবা থৌগল্লোন কায়বা থবক অমনি লৌই মখোয়না। ঐগী নিংঙাইনা কনবগা, অহুম মরিরক লাকপগী মেট্রদুগী সিরিয়সনেসতু খঙলকপগা, ঐনা ৱারৌখ্রনি খল্লকপা মাল্লি, চঙশিন্দুনা হংলুরে।

‘য়ারনি ওজা, লেঙশিনবীরক্লে’।

লৈমায়দা ফক অমা থারগা, মাইবদুনা ওজাগী হকচাংদা থাউ তৈদুনা মালিশ তৌদুনা লৈরম্মী। চঙশিন্দুনা খুরুম্লে।

‘কৈদৌরে, ইন্দ্রকুমার? অনী-অহুল্লক লাক্লম্লে তম্মী ইবোমচানা’।

‘তামো! চমন্নবা ৱাখল অমখক্কী লঙজীন তাকপীয়ু হায়জগে লাকপনি’।

‘করম্বা ৱাখলনো’?

‘অনৌবা লীলা অমখক পানখৎকে তৌবনি তামো… মরুপ অমখক্লা কন্না য়েৎলকপা, ওবজেক্সন তৌরকপদুদা-কন্ট্রোভর্সি অমা থোক্লক্কদবা মান্দুনা লীলাসি তৌসিরা/তৌগুমসিরা তামোগী পাউতাক অমত্তং লৌজনীংবনি’।

‘করম্বা কন্ট্রোভর্সিনো? ৱারীদু লীয়ু’।

‘তামো! ৱারী ওইনা শাগৎপা প্লে নত্তে, যিসস খৃইষ্টকী ৱারী খরা, মখোয় খৃষ্টিয়নশিংনা ইজবা লাইরিক খরা পারুবদগী, মদুনা ইথিল পীদুনা প্লে অমা শাগৎচগে তৌরুবনি’।

‘অদু করম্বা প্লে’নো হায়বনি’?

‘যিজস পোকপই ৱারীগা, কৃষ্ণ পোকপই ৱারীগা মান্নরম্বা মতৌ, অঙাং ওইরিঙৈ-অমনা য়াও শেনবা, অমনা ষণ শেনবা ওইরমখিবা… যিজসনা মথোৎ কারকপা, চহী তরাহুমদোই চঙলকপদগী কুমগতরুক শুরকপা ফাওবদা মহাক কদায়দা লৈরম্বা… বুদ্ধিস্ত মোনাস্তরি কয়া ফাওদুনা ইন্দিয়া লাক্লগা মহৈ-মশিং তল্লকখিবা বেদগী গ্যান ফংলকখিবা, কৃষ্ণগী পূন্সি-ৱারীনা শুমখিবা…ঐহাক অমুক ধর্ম্মগী য়ূম্ফম থোন্নবা, সাধু অমই শায়োন লৌ’ হল্লকখিনি হায়রম্বদুদা ঙাওখিদুনা, হল্লক্লিবদু মহাক্লি খনজ ‘নহাক কনানো নমীং করি কৌবগে’ হংবদা - ‘আই’ম যিজস, দ কৃষ্ণ’ হায়না খুম্নদা অতাবশিংনা ‘কৃষ্ণ’ হায়বা খোম্হোত্তু ‘খৃষ্ট’ হায়না তাখিদুনা খৃষ্ট’/খ্রাইষ্ট-যিজস, দ খ্রাইস্ত/যিজস-খৃষ্ট হায়না খঙনখিবনি… রোমান গভর্ণর ‘পোন্তিয়স-পিলেৎ’না মহাকপু পাং তিংদুনা হাৎনবা য়াথং তৌখিবা…শিরবোই নীংদুনা ক্রোসতগী লৌথখিবা, শিরমদবা…মাগী তুংইনবশিংনা মোংফমদগী যিজসকী হকচাং লৌথোক্লগা পুখিবা, থা কয়া লায়েংলব’তুং ইন্দিয়াদা অমুক হল্লকখিবা…ময়ূম মকে পান্দুনা কাশ্মীরগী লদাখ’তা লৈরল্লগা মশাগী চহী ৭৬শুরকপদা তাইবঙপান থাদোকখিবই ৱারীদু’…।

‘য়ারে, ইন্দ্রকুমার। খঙলে। ৱারীদু মখা তারনু। ধর্ম্ম/রিলিজন অমগী মরমদা কম্মেন্টরি পীবা লীলা য়ারিমখৈ তৌরুনু। লীলা অদু তৌরুনু। অন-নেসেসরিলি অতোপ্পা রিলিজিয়স কম্যুনিটি অমদা প্রোভোক তৌগুম থোক্কনি’।

ওজা রতনগী পাউতাক্তু ঐনা ইকায়খুম্নখি। দ্রামা অদু পুথোকপই ৱাখল থাদোকখি। লাইনীং-লন্থীখক্কী ৱা’ঙাকসু নত্তে, করিগুম্বা ৱাফম অমদা কনাগুম্বা অমনা থাজবা থম্বা হায়বসি নোংম-নীনি, থা-খরদা হেক্তা ওইরকখিবা নত্তে। মীৎ-নাকোং অনীগী খূথাঙদা ৱাখলসিদা হাপচিনখিবা পাউরৌ-পাউতাক-পাউজেল কয়াদুগী মথক্তা থম্মোয়সিদা য়েকখিবা নীংশিং-শক্তম কয়াদুনা শেমগৎলকই ‘থাজবা’। থাজবা ময়ামগী মরক্তা, ‘লাই থাজবা’ হায়বসিনি খ্বাইদই তমথীবা। মরমদি, ‘লাই’ - অরেপ্পা মশক লৈতবা, মীৎনা উগে ফংদবা ৱাখলতনা শাগৎপা শক্তম অমনি। গোদ-ঈশ্বর-অল্লাহ-পরৱরদিগার-তাইবঙ মপু-লাই… হৌফম শাৎফম তিন্নদবা, মীওই কাঙলূপ-কাঙলূপ্না মিংথোল্লকই তোঙান তোঙান। ৱাখল লৌশিং চাওখৎলকপগা শেমগৎলকই মান্নদবা লাইনীং লন্থী। লাইগী মচানি/লাইমক্লা থারকপা পাউজেল্লোয়নি হায়জবা কনাসু থোক্লকই। মানা হায়বা ৱাহৈদু ‘লাইমক্কী মপাউনি’ থাজহল্লকই। ‘লাই লৈ থাজবসু’, ‘লৈতে হায়না থাজবসু’-করিমত্তা খেন্নদে, চপ মান্নে অনীমক। থাজবা হায়বা ৱাহৈসি অচুম্বা-অশেঙবদু করিনো খঙদবা পোৎশক অমদা শীজিন্নবা ৱাহৈনি।

লৈ/লৈতে খঙদবা, কৈদৌঙৈদসু উবা ফংলরোইদবা ঈশ্বর মাবু শক-তাক্লবা হোৎনরকপদা মীওইবনা শীজিন্নরকপা ৱাহৈ খরনি…‘অচৎ-অওক, শিবা-নাইবা কনাদা/শিনাইদবা মহাকপু উবা ঙম্বা/পৎপা-পুম্বা নাইদবা, পৎনাইদবদু উঙম্বা/মহাক্তুদি শোয়দনা উগনি উঙমদবা মহাকপু’ (ভগবৎ গীতা)। ভগবৎ গীতা’গী অতোপ্পা স্লোক অমনি…‘হৌজিক্তা শিবা মহাক্তা হৌজিক্তা পোকপা মহাক্তা, চপ মান্নে অমত্তনি… পোক্লবগী অরোইবা শিবা মীকুপ অদুনি, শিরিবগী অহৌবা পোকপা মীকুপ অদুনি’…। বাইবলদসু ইরম্মী, প্রভু যিশুগী ৱাহৈনি হায়…‘তাও! ঐনা হায়রিবা অচুম্বসে- তাইবঙ মপুগী লৈকোন্দা চঙনীংলবা করিগুম্বা, পোকপা তাই নহাক অনৌবা মপোক অম’মুক…মপু মাগী লৈকোন্দদি চঙগদবনি নহাক তরঙ-মালঙ ওইদুনা… ঐগী ৱাহৈদা ঙক্কনু, পোকউ নহাক শোয়দনা অনৌবা মপোক অমদা…মালঙনা হুম্মি হুম্নীংবদা, কদায়দগী হুল্লকপা, কদায় তান্না হুমদৌবা-খঙদে কনামত্তনা…মদুমক্লি, নহাকসু-কদাইদগী লাকপনো, কদায় চৎকদবনো-খঙদে কনামত্তনা’…। কোরান’দসু ইরম্মী…‘অল্লাহবু করম’ থাজরোই-পূন্সি অসি পীবিবসু মহাক্লি, লৌশিনবসু মহাক্লি-শিবা মীকুপ অদুদা পূন্সি অমুক পীগনি…’দুগা অমুক হনগনি মাগী মনাক তম্নবু’…। অতোপ্পা পন্দুপ অমদসু ইরম্মী…‘য়েংঙু! অল্লাহ মাবু থাজদবা, অরানবা তৌবা মহাকপুদি অল্লাহ মানা কৈদৌনুংদা ঙাকপীরোই, জন্নত (লাইরৈবাক) তসু লমজিংলোই। গীতা, বাইবল, কোরানগুম লাইগী মশক তাকপা, মপাউ পুবা অইবা লাইরিক লৈত্র’সু মৈতৈশিংনা তাইবঙসিবু শেম্বীবা লাই মাবু ‘শিদবা মপু’ মিঙ্গৌনৈ। পোকপসু লৈতবা, শিবসু নাইদবা কনাগুম্বা অমনা তাইবঙসিবু শেমখিবনি থাজনৈ।

‘ঐনা চৎলিবা লাইনীং লন্থী অসিনা খ্বাইদই চুম্বা লন্থীনি, লাইগী লৈপাক য়ৌদৌবা লন্থীদুদি’সিতনি, নঙনা চৎলি-লন্থীদুনা নরক তম্না চৎপনি’…হায়হৈদবা ৱাহায়সি হায়রগা মীচঙ খোম্বা লাইনীংবা কয়া লৈ মালেম তাইবঙপানসিদা। মাগী লাইনীংদুগীদমক মথ্বায় অদু থা’ঙম্বা, অতোপ্পগী থৱায় লৌ’ঙম্বা-লাইগী লাল্লোয় ফূরুপসু শেমগৎনরকই।

কৃষ্ণ, যিজস, অল্লাহ-মখোয় পূম্বই পোত্থাফম, পুল্লপ পুন্না লৈরিবা মফমদুনি ঐগী থম্মোয়। অদুনবু কৌরিবনি ‘থম্মোয়-লাইয়ুম’। থম্মোয় মশক খঙদনা ঈশ্বর মশক খঙঙল্লোই… নঙনা নঙবু খঙদনা ঈশ্বর খঙবা হৌনব্রা? শকখঙদবা কনাবু থিরুগনি করম্না? থেংনরুবা থোক্লসু শকলাক্কনি করম্না? ●

# ঈং-তপ্পা লমদম অমগী আশা তৌরিবী কবি থোকচোম অঞ্জনাগী শৈরেং লাইরিক ‘ফিরাল নঙগী নরুমসিদা’ - লাইরিক অসিদা মীৎয়েং অমা



**- তোংব্রম অমরজিৎ -**

থোকচোম অঞ্জনা ১৯৬৩দা অসামগী কছাড় ললাং মখা লৈকায়দা পোকই। হৌজিক্লা লাবক পার্ট টু লক্ষিপুর, পোইলাপুলদা লৈ। অপোকপগী মিংনা লৈখিদ্রবা থোকচোম অরুন অদুগা অপোকপীগী মিংনা থোকচোম ওংবী অমুম্না কৌই। অইবী অঞ্জনা গুৱাহাটি য়ুনিভর্সিটিদগী ১৯৮৫দা বি এ পাস তৌখি। মতুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদগী এম এ পাস তৌখি। ১৯৯২দা এ আই আর ইম্ফালনা ঈশৈগী অইবী অমা ওইনা লৌশিনখি। মহৈরোয়শিং তাকপী তম্বীবগী থবক ওইনা তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংদা ওজা ওইরম্মী। কছাড় লক্ষিপুরদা মপূং ওইরগা শেমখিবা ‘মণিপুর চনুরা খোর্জেং লূপ কছাড়’ মচাখোলগী হৌজিক হৌজিক ৱার্কিং প্রসিদেন্ট ওইরি। মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, অসাম পোইলাপুর ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্টসু ওইরি। মণিপুরী শোর্ট ষ্টোরি সোসাইটি ইন্দিয়াগীসু মেম্বর অমসুং লাইফ মেম্বর ওইরি। লোয়ননা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ অসামগী অচঙবা মেম্বর অমা ওইনা থবক থৌরম কয়াদা লেপ্তুনা শরুক য়ারি। ‘পোক্তবী ইমা অয়োকপীগী তম্পাক্তা’ (শৈরেং) ১৯৮৭; লৈচিলগী ঈশৈ (ৱারীমচা) ১৯৮৯; পোকত্রবসু ইমানি নঙদি (ৱারীমচা) ২০২২; হিংলমগে নশুংলাংগী (শৈরেং) ২০২২ অমসুং ‘ফিরাল নঙগী নরুমসিদা’ (শৈরেং) ২০২৫ ফোঙদুনা মণিপুরী খোরিরোলদা মহাক্কী ফিদা অমা কল্লিবী অইবীনি। অইবী অঞ্জনা তোঙান তোঙানবা মনা কয়াসু পীদুনা ইকায়খুম্নখ্রবী অইবী অমনি। খরদং পল্লবদা-মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, অসামনা পীবা ‘মোইরেংজম ওংবী হেমাবতী লিটরেরী গোল্ড মেদল মনা-২০২৩”, দলিট সাহিত্য একাদেমি মণিপুরনা পীবা ‘ডা. বি আর অম্বেদকর এৱার্দ’ ২০২৩, পব্লিক লাইব্রেরি, ময়াং ইম্ফালনা পীবা ‘পব্লিক লাইব্রেরি অথোইবা লূপলোই মনা’ ২০২৩, বাবু জগজিবনরাম কলা সংস্কৃটি এন্দ সাহিত্য একাদেমিনা পীবা ‘ডা. বি আর অম্বেদকর নেশনল সম্মান পদক’ ২০২৪ অমসুং সাহিত্য সেবা সম্মিটি ককচীং মণিপুরনা পীবা ‘ক্ষেত্রি নলিনী সাহিত্য মনা’ ২০২৪ অসিনচিংবা মনা মথুমশিং ফংখ্রে।

অইবীগী অহুমশুবা শৈরেং লাইরিক অসিদা পূন্না শৈরেং ৭০ য়াওরি। অচম্বা লোলনা ৱাহন্থোক কয়া ফোঙদোক্লবা হোৎনবা থেংনৈ। মহৌশাগী চীং, পাৎ, তুরেল, খুঙ্গংগী অমকপা য়াওদ্রবা পূন্সি, লৌমী শিন্মীশিংগীদমক ৱাজবা, পূন্সিবু লুনা নুংশিনা খঞ্জবা মতৌশিং অইবীগী শৈরেংদা মমি তাদনা তোক্তে। লাইরিক্কী মিংথোল ওইরিবা শৈরেং অসিদা মরু ওইনা ফোঙদোক্লিবসি মণিপুরনি। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ফিদম্নীংঙাই ওইরবা পার্লিয়ামেন্টরি ফোর্ম ওফ গভর্ণমেন্ট, মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অসিগী ফজরবা ফিরাল অসিগী মখাদা তোঙান তোঙানবা লাইনীং চৎপা, শক-চুমান্নদবা, লোল অমদি কলচর খেন্নবা, ফিজেৎ-চাকচা তিন্নদবা কয়ানা অমত্তা ওইনা লৈমিন্নরিবা লৈবাক অসিদা ঙসিদি মণিপুরদা করি তৌরি মালেমগী মীয়াম্না খঙনরে। হিংশা, কাঙলূপ ফূরুপকী লান, নুংশিনদবা, শিংচেপ থাজিনবা, খায়বুং খায়বুং তাহনবা, শান্তিবু ইখৌ লাংদুনা মীয়াম্না অচুম্বা ৱায়েল ঙাইরিবা চীংলৈবাক্কি লমদম অমনি মণিপুর। ‘ফিরাল নঙগী নরুমসিদা’ আইরোনি মতেকে অমা পীরদুনা ইরক্লি কবিনা অসুম্না- “কথোকপগী পাউজেলনা মাঙদা থারিবা/শান্তিগী পাউজেলনা ময়ায়দা থংলিবা/চাওখৎপগী লৌশিং পাউজেলনা মখাদা লৈরিবা/ঐখোয়গী ফিরালগী মচু অহুম্না/কয়াদা নুংশিনা হাইনা হুম্না পাইরিবা/কয়াদা চাউথোকচৈ মীরমলেনগী মমাঙদা/ঐখোয় ভারত মচাশিং।/অদুবু, /নঙগী নরুমসিদা থুপ্লদুনা/কয়াম




লাইরিক্কী মমিং :- ফিরাল নঙগী নরুমসিদা (২০২৫)
অইবা :- থোকচোম অঞ্জনা
অফোঙবা :- অঙোম নিংথৌ প্রিজর্ভেশন এন্দ দোক্যুমেন্টেশন সেন্টর, উরিপোক অচোম লৈকায়, মণিপুর
লাইরিক্কী মখল :- শৈরেং
লাইরিক্কী লমায় মশিং :- ১২৪
লাইরিক্কী মখুম :- লখি বনীয়া
লাইরিক্কী মমল :- লুপা ২০০/-




কুইনা লেপখিগনি/ঐখোয় অসুম? /…হিংশাগী মীওৎ মীনৈ/লৌনম নমথাক্লা ৱাই চাইরবা/থম্মোয় শোক্লবা লমদমসিগী/অৱাবা ৱারীসে তারদুনা” (লা:৪) শৈরেং অসিনা হায়নীংলিবদি মীচম মীয়াম লৈঙাক মপুদা ৱারৌরে। চহী অহুম হেল্লক্লবা কাঙলূপকী ঈরাং করিগী অসুম্না করিগী থৌশাদনা য়েংদুনা লৈরিবনো হায়বসিদা ৱাহং হংলি।

লান হায়বসিদা অৱাবা তারিবা, মৈশা লাংলিবগী মশীং অসিমক মীচম মীয়াম্না খরা খিৎ হেক্তা হেল্লম্মী। লান হায়বসিদা মুক্নরিবনা শক্তি লৈবশিংনি। মখোয়গী নাপল, মখোয় মশেল অঙম তান্নবদা অৱাবা তারিবনা মরাল শুক্লে লৈজদবা মীওইশিংনি। মসিদনি অঞ্জনাসু অইবী অমা ওইনা লান হায়বসি অসিনি হায়না মহাক্কী ওইবা মিৎয়েং অমা থম্নবা হোৎনরক্লিবা। অইবীনা হায়রক্লি, ‘লান’ হায়না মিংথোনবা শৈরেং অসিদা- ‘লান নঙদি ঈ থকপদনা নশিন্নি/হাৎন শুনবা/বোম তোপ কাপশিনবা/মীওইবগী হিংশাগী মরমচৎতু/নঙদি মরীক চুম্না খঙখি।/অদুনা নঙনা লেপ্তুনা ঈ থকই।/…ফৎত্রবা মীওইপোক খরনা/ঐনা হেল্লি, মানা হেল্লি/হায়বগী অহংকারদা লুপ্তুনা/মীকুপ পুংজা খুদিংদা/লান নঙবু হেক হেক কাইহৌরি…”(লা:২২)

মালেম তাইবঙপালসে ঙসিদি মীওইবনা মশাগীতা খনবা অমদি করাম চাউবা লীচৎনা লন-থুম পৈশিন্নবা, করবার তৌনবা মাগী মাগী নুংঙাইনবখক খন্দুনা চাওখৎপগী মিংদা শেম শারিবনি হায়দুনা তৌরিবা থবকশিংনা হকথেংননা অমদি নাকোয়ননা মহৌশা খূৎশেমদা য়াম্না শাথীনা চৈথেং পীরি। মসিনা ঙসিদি অচৌবা ইস্যু অমা ওইরক্তুনা গ্লোবেল ক্লাইমেট চেঞ্জগী শাথীরবা চৈফূ চৈথেং মীওইবনা মায়োক্লরক্লি। এক্সত্রিম ওইবা ক্লাইমেট, নেচরেল কেলামিটি কয়া ইতৎ তত্তনা থোক্লি। মসি পূম্নমক মীওইবনা থোকহনবনি হায়বসি রিএফার্ম তৌরদুনা কবিনা ইরক্লি, ‘মরু কোক্লবা মালেম’ হায়না মিংথোনবা শৈরেংদা অসুম্না, “হে মতমগী মী কৌবা নখোয়বু/অঙৈং অশাগী খলবু থুগায়রিবা/উমং ৱামংবু কোকথোক্লিবা।/…কলকারখানা, দামনচিংবা শাজিন্দুনা/উমং ৱামং য়াম্থৎতুনা/মহৌশাগী খোঙচৎপু কায়হল্লিবা…/(লা:৪১) শৈরেংসিনা লোইশিল্লকপদা আপীল অমদি তৌরি “লাক্লো মীপূম খুদিংমক/শেমিন্নরসি শংবানরবী পৃথিবী/ওইহল্লোইসি ‘মরু কোক্লবা মালেম’ (লা:৪২)

মালেমসে চাকহোঙ ঙাহোঙনবা হোৎনরিবা, অৱাৎ-অপা লৈতনবা চোকথবা লৈতনা শু-নোম্লিবা মীওই কাঙলূপশিং মখোয়গী পূন্সিবু সিলেব্রেট তৌবনি অইবী অঞ্জনানা ইরক্লিবা ‘লৌমীগী ঈশৈ’। লৌমীশিংনা মোমোন নোকচবদা পূম্নমক্কীসু হরাওনফমনি। মরমদি মখোয়গী হুমাংমলননি ঐখোয় পূম্নমকপু য়োক্লিবা থাক্লিবা। মসিদা কবিসু মখোয়গীদমক ত্রিবুট পীবা ওইনা ইরক্লি, “কুমগী নোংনা খোঙদোইরক্লবদা/ৱাজ দুনা লৈরম্বা লৌমীগী থম্মোয়/মকা লাল্লে, হরাও মথোই কাজরে।/অয়ূক ঙন্তা হৌরদুনা/মখূৎতা লাংগোল পায়রদুনা/মাঙদা ষণপোৎ থাদুনা/লৌবুক মায়কৈ তল্লক্লে।/… লৌলিংবীশিংগী খুলং ঈশৈনা/লোইয়ালমগী ঈংলবা মালংবগী/তান্থাগা লোয়ননা/লৌবুক লক্ষাঙ চীংয়া তময়া/খূলং ঈশৈগী নুংশি ঈশৈনা নিল্লক্লে…” (লা: ৫০)। চাওখৎপগী অহোংবা অওনবা কয়ালক্তা খূলং ঈশৈদি য়াম্না তাম্না তারক্লি। লৌউ-শিংউগী থবক পূম্নমকসু ঙসিদি মেকানাইজ তৌরক্তুনা থায়নগী ফীভমদি ওইদ্রে। মসিনা মসি ওইরবসু কবিগী পূক্লিং থম্মোয়দদি খোম্থাং য়ৈনা নিল্লরি অদুমক লোয়ালমগী খূলং ঈশৈগী নুংশিবা শৈহেক্লো।

মমালোল লৈজবা ফূরুপ কাঙলূপ কয়া মালেমসিদা লৈরি। অদুবু মশাগী লোল অদুবু ইজনবা ময়েক লৈজবা ফূরুপ কাঙলূপকী মশীংদি অমুক অকক্লবা ওই। মীতৈশিংগীদি মশাগী ময়েক লৈজরি। মিৎয়েং শানবা ইপা ইপুশিংনা ঐখোয়গী লোলগী পূক্কে অমা থম্বীরম্মী, ময়েকসু থম্বীরম্মী। ঙসিদি কয়াদা চাওথোকচরিবা ঐখোয়না ইশাগী ইরোল ইয়েক লৈজবগী। চাউখ্রবা লৈবাক ইন্দিয়া অসিগী কন্সটিট্যুশননা শকখঙলবা লোলশিংগী মরক্তা মণিপুরী লোলসু অমা ওইবদা ঐখোয়না চাওথোকচবা, নুংঙাইজবা পূম্নমক অদুদা য়ূম্ফম ওইদুনা ইরকপা শৈরেংনি ‘ইমারোনবু নীংশিংবা নুমিৎ’। ইশানা ইশাগী ইরোলবু ইকায়খুম্নবা নুংশিবা হায়বসিসু ঐখোয়গী শক্তম কঞ্জনবগী পাম্বৈ অমনি। মরমদি লোল হায়বসিদা কলচর য়াওরি। ঙসিগী মীরোলশিংগী মরক্তা মীরোল ঙাঙলগা হেন্না চাওখৎপা, লাইরিক হৈবা ওইনা খন্নরিবশিংদা পাউজেল অমা পীনীংদুনা ইরকপা শৈরেং অমসুনি অইবীনা ফোঙদোক্লিবা অসিমক। কবিনা ইরক্লি, “ঐদি ইশাগী ইমারোনবু/ঙমখৈ লৈতনা নুংশিজৈ/অদুনা ঐনা/ইমারোন্না ৱাঙাংঙি।/ঐগী ইশাগী ময়েক লৈজৈ/অদুনা ঐনা ইশাগী ময়েক্লা মহৈ তমজৈ…” (লা:৭৩)। ইশাগী ইরোল ইয়েক্তা ইহৈ তম্বা, লোল অসিবু অৱাংবা থাক অমদা পুখৎনবা হোৎনবা হায়বসে ঐখোয় খুদিংমক্কী থৌদাংনি হায়বসিদা থাজবা থল্লি অইবীনা।

অইবী অঞ্জনাগী শৈরেংশিংদা পোক্লফম লমদম অসামগী নুংশিবা শৈরোলশিং লোক্তাক, সঙাই, কোম্বীরৈ অমদি শিরোইগী নিংথিজবা শৈথারি। কন্টেম্পরি ইস্যু অমা ওইরিবা নুপী অঙাংদা চথবা ক্রাইম, দ্রগকী ইস্যু কয়াগী মরমদসু সোল্যুশন থিবা শৈরেংশিং তোঙান তোঙানবা থিমদা ইবা থেংনৈ। শৈরেং ফজবদি মরাং কায়না য়াওরি। লেপ্তুনা ইবিরকখিগনি হায়না থাজবা থমজরি। ●

# বাংলাদেশতা অহিং অহুম -২৬

**- আর কে বুধিমন্ত কর্টা -**

সিলেট সিটিগী ৱাংমদগী সিলেট সিটিদা গাড়ী তোংলগা চঙগে হায়রবদি ‘সুরমা’ তুরেলগী মথক্তা শারিবা থোং 'Keane Bridge' অসি লাল্লগা চঙগদবা ওইরম্বদো ঙসিদি সিলেট চঙনবা থোং অসি Kajirbazar Bridge অতোপ্পা অমনা "Nutan Bridge" কৌবা থোং অনী অসিদা লাল্লগা চঙনরি। Keane Bridge অসি ১৯৩৩দা শাবা হৌখি অদুগা ১৯৩৬তা শাবা লোইদুনা শঙ্গাখি। থোং অসি গেটৱে টু সিলেট হায়রগসু খঙনৈ। থোং অসি মিটর ৩৫০.৫২ শাংই। ফিটতা ওইরগনা ১,১৫০ শাংই। পাকপনা মিটর ৫.৪ পাকই, ফিটতা ওইরগনা ১৭.৭নি। থোং অসি বাংলাদেশ লিবরেশন ৱারদসু বোমনা অকাই অতোই থোকহনখিবদগী শেমজিন শাজিল্লগা শীজিন্নরম্বনি অদুবু সেপ্টেম্বর ৩,২০১৯দা বাংলাদেশতা লৈবা অমেরিকান এম্বেসেদর Earl Robert Miller না থোং অসি য়েংবা লাকপা মতমদা য়োৎকী থোংসু ওইবনা Keane Bridge অসিগী ৱারী তরবা তুং থোং অসি গাড়ী লানবা য়াদবা অঙাংখক্তা চৎনবা ওইনা রেকমেন্দ তৌরমখি। অদুননি ঙসিদি থোং অসি গাড়ী লানবা য়াদ্রিবা। থোং অসিগী মমিং অসি ১৯৩২দগী ১৯৩৭ ফাওবা অসামগী গভর্ণর ওইরম্বা Sir Michael Keane গী মমিং লৌদুনা থোনখিবনি। ইন্দিয়াদা বৃটিশকী লৈঙাক লৈরিঙৌদা সিলেট অসি অসামগী মখাদা লৈরম্মী। হন্দক ঐগী বাংলাদেশকী খোঙচৎ অসিদগী বাংলাদেশপু খঙনীংবা অসুম অসুম হেনগৎলক্লি। খঙবসু অসুম অসুম হেনগৎলক্লি। সিলেট সিটিবু ফাওদুনা চেল্লিবী হাদা সুরমা কৌবী তুরেল-ও! তুরেল নহাক্কী মিংলেনসিদা য়াওরি, শোল্লিবা মখৈ পেন্দবা কনানবু থোল্লমল্লিবা! পেন্না কৌগে অমুক্তা সুরমা! ঙসিদি ঐ খঙলে সুরমা কৌবী নহাকসে বাংলাদেশ কৌবা লমদমদা মনীং তম্না চেল্লবসু মণিপুর ইমাগী ঈরিকনিনে নঙগী ঈচেলদুদা য়াওরিবা। নহাক্কী ঈচেলগী হৌরকফমদি ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক চিংদাইদা লৈরিবী মণিপুর কৌবী লমদম অসিগী সেনাপতি কৌবা দিষ্ট্রিক্টকী লিয়াই খুল্লেন কৌবা খুলদগী হৌখিদুনা বরাক তুরেলগী হৌরকফম ওইদুনা মণিপুরগী তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট ফাওনা চেন্থরক্লগা মিজোরামদা মতেকে অমা চেল্লন্লগা অসামগী কছার তম্না ফাওরগা বরাক তুরেল অসি কিলোমিটর ৯০০ শাংনা চেন্থরক্লবা তুং সিলেট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ইন্দিয়া বাংলাদেশ বোর্দরদা লৈরিবা 'Almashid' হায়রিবা মফম অসিদগী বরাক ওইনা চেন্থরক্লিবা ঈচেল অসি অনী থোক্লা খায়দোক্লগা অমনা ‘সুরমা’ কৌবী তুরেলগী ঈচেল ওইখিদো অতোপ্পা ঈচেল অমনা 'Khushiyara' মিংলেন থোন্দুনা চেন্থখিবগী ৱারী পূম্বা খঙলে হৌজিক্তি। কয়াদা নুংঙাইরবা, হায়রিবা তুরেল অনী অসিনা চেন্থখ্রগা অমুক মফম অমদা পুল্লদুনা 'Meghna' তুরেল ওইরকখি।

মণিপুরগী পুৱারী শুবা লাইওইখ্রবা লাই-গুরুশিংনা মণিপুরগী পুৱারীগী ৱারী লীবা মতমদা সুরমা ভেল্লিদা মৈতৈনা খুন্দাখিবগী ৱারীসি ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৌদা তাখিবদি লৈখ্রে অদুবু থোইদোক্লা খনজি ল্লুবা তৌরুদে। ঐগী ওইবা ৱাখল্লোন্দা, মণিপুরগী পুৱারী নীংথিজনা নৈনদুনা খঙগে হায়রবদি ঐখোয়না নৈনবদা কাউরোইদবা ভেল্লি মরিনি। ভেল্লি মরি অদুদি :-1: Surma Valley 2: Barak Valley 3: Manipur Valley 4: Kabow Valley অসিনচিংবা ভেল্লি মরিসিবু কুপ্না নৈনরবদি অশেংবা মণিপুরগী পুৱারী ফংবা ঙমগনি।

ঐখোয়না তোংলিবা গাড়ী মনুংদগী সিলেট দিষ্ট্রিক্টকী ষ্টেদিয়মগী গেট অমা উরকখি। গেট অদু উরুবদা ঐনা খনখিবা অমদি অচুম্বা ওইরম্লে, ৱারীদি অসিনি -মণিপুরী ঐখোয়গী ঈদা শান্ন-খোৎনবগী হৈ-শিংবা অসি মালেমগী থাক ফাওবা য়ৌদুনা ঙসিদি ওলিম্পিককী মনা ফাওবা ফংদুনা ওলিম্পিয়ন কয়া পুথোক্লিবা লমদমনি মণিপুর। হায়রিবা মণিপুর অসিদগী হৌখিবা ঈ ওইবনা বাংলাদেশতা খুন্দাদুনা লৈরিবা মণিপুরী মৈতৈ ইরৈচাশিংগী মরক্তা শান্নরোয় য়াওব্রা হংবদা টেতইগাওনগী লাইফ্লাকপম ব্রজগোপালনা খুল্লমখিবদো নীংশিংহল্লি। ব্রজগোপালনা হায়খিবদো অসিনি - বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেশন (বি দব্লিয়ু এফ) সম্মর ওপন রেঙ্কিং জুনিয়র বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০২৪গী দবলদা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমহৌদ্রবসু সিলেটকী Shivaganj খুঙ্গংগী বিশাল শর্ম্মা অমসুং khoisnam Himangsu না রন্নর-অপ তাখিবদা বাংলাদেশতা লৈবা মৈতৈ ইরৈচা কয়ানা হরাওজখিবা। ক্রোর ১৭ লৈবা বাংলাদেশকী য়াল্লবা মীশিংদগী পীকখ্রবা মণিপুরী কৌবা ফূরুপ মচা অসিদগী মৈতৈ মচা অনীনা অসুম্না রন্নর-অপ ওইনা মায় পাকখিবগী পুৱারী অমা শেমখ্রে খঙজবদা অপেনবা ফোঙদোকচরি, চাওথোকচৈ মৈতৈ মচা অমা ওইনা। মমাঙদসু বাংলাদেশ বেদমিন্টনদা Shivaganj খুলগী Yumnam Gaurav, Maibam Nungal, Maibam Mangal লোয়ননা নুপীদা Yahi Leima, Asem Mithila মখোয়সু বাংলাদেশতা মমিং চৎলবা বেদমিন্টন শান্নরোয়নি।



সুরমা তুরেলগী মথক্তা শারিবা 'Keane Bridge'

শান্ন-খোৎনবগী লম্দা থোইদোক হেন্দোক্লা পাম্না শান্নরম্বা অমসুং শান্নরিবা মশান্নদি ফুটবোল, ভোল্লিবোল, ক্রিকেট, বেদমিন্টন অসিনচিংবা পনবা য়াই। ১৯৯৮দা ভানুঘাছতা লৈবা মণিপুরী ক্রিকেট এসোসিএশননা ইন্দিপেন্দেন্ট ক্রিকেট কপ অমা শিনখি। মদুদা Bisgaon Manipuri Club না রন্নর-অপ তাখিবগী রেকোর্দ লৈ। বাংলাদেশতা খ্বাইদগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লবশিংগী মনুং চল্লিবা Abhani, Mohmadan অমসুং Mukti Jhoudha নচিংবদা মণিপুরী ফুটবোল্লর কয়া মতিং থোক্লা শান্নরম্বগী রেকোর্দসু ফংই। পূম্নমক অসি খঙলুরগা চাউথোকচৈ মণিপুরী অমা ওইরুবগী। ফুটবোল শান্নবদা ফাওখিবা প্লেয়র খরগী মমিংদি Gurumayum Nipendra Sharma, Soraisam Robindro, Bramahcharimayum Arun Sharma, Gurumayum Badal হৌজিক্তি অতোপ্পা নহারোল কয়া অমসু শান্নরি। ক্রিকেট মশান্নদদি সিলেটকী Seram Chingkhei, Khoirom Nipun, Thongam Dima নচিংবগী খূৎশান্নদা নেশনল থাক য়ৌখিবগী ৱারীসু তাবা ফংলকখি। মৈতৈগী থায়নদগী চৎনরক্লবা মশান্না কাং শান্নবা মরক অমা খজিত্তং শিথরুরবসু হৌজিক নৌনা কন্না শান্নখৎলকপগী পাউফংই। ঙসিদি কাং ফেদ্দরেশননচিংবা লীংখৎতুনা চাং নাইনা কাং কম্পিটিশন পাঙথোক্তুনা শৌগৎনরকপগী পাউসু তাজরকখি। ঈগী খোঙ্গুলগী হৌরকফম ওইরিবা মণিপুরদফাওবা চৎতুনা কাং শান্নবা য়াওরে তল্লকখি। শজিবু থাদা লিকোন শান্নবগী চৎনবীসু লৈহৌরি। শজিবু নোংমা পানবা চৈরাওবদা লিকোন শান্নবগী কম্পিটিশন পাঙথোকখিবগী পাউসু তারকই।

বাংলাদেশকী সিলেট দিভিজনগী সিলেট দিষ্ট্রিক্ট হায়রিবা মফম অসি অফবা মহৈ মশিং তম্ফম য়ুনিভর্সিটি অমসুং মমিং চৎপা কোলেজ কয়া লৈ। সিলেট দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা য়ুনিভর্সিটি তরেৎকী মমিংদি -1. Leading University 2. Metropolitan University 3. North East University 4. R.T.M. Al - Kabir Technical University 5. Shahjalal University 6. Sylhet Agricultural University 8. Sylhet International University নি। সিলেট দিষ্ট্রিক্ট অসিদা মেদিকেল য়ুনিভর্সিটি অমসু লৈ। লো কোলেজ মঙা লৈ। দেন্টেল কোলেজ অমসু লৈ। সিলেট দিষ্ট্রিক্ট অসিদা Bangladesh Nursing and Midwifery Council গী মখাদা নর্সিং কোলেজ অমসু লৈ, Homoeopathic College লৈ। Unani/Ayurvedic College সু লৈ। কোলেজ অমসুং হায়র সেকেন্দরিগী মনুংদা সিলেট কেদেট কোলেজ, Jalalbad Cantonment Public School and College; Sylhet Government College অমসুং মাষ্টর ফাওবা য়ৌনা তম্বা য়াবা কোলেজদি Madan Mohon College অমসুং Murarichand College নি হায়রিবা Murari Chand College অসি ১৮৯২দা লীংখৎখিবনি। কোলেজ অসিদা তম্লকখিবনি মণিপুরগী লিজেন্দরি কবি লাইওইখ্রবা এলাংবম নিলকান্তসু। অতোপ্পা অফবা প্রাইভেট কোলেজ কয়া অমসু লৈরিবনি। সিলেট দিষ্ট্রিক্ট অসি মহৈ মশিং তম্ফম নীংথিজনা লৈ। বাংলাদেশ মণিপুরীশিংসি ঙসিদি লাইরিক ময়েক চৎপগী চাং য়াম্না ৱাংলে। চাদা ৮০ মুক্তি লাইরিক হৈনরে। বাংলাদেশ মণিপুরীশিংসি শেল থুমগী ফীভমদা খরা শোত্থরবসু কা হেন্না লায়রবা মচীঙাক পুবা ঙমদবা চাকনি ফিনিবদি লৈতে। হৌজিক্তি মণিপুরী মচাশিংসি লৈঙাক্কী অচৌবা ফম পায়বা কয়া য়াওনা কোলেজ ওজা, ইঞ্জিনিয়র, ডাক্তর, বেঙ্কিং সর্ভিস, এদভোকেট, বাংলাদেশ সিভিল সর্ভিস ফংদুনা এদিশনেল সেক্রেটরি, জোইন্ট সেক্রেটরি, দেপ্যুটি সেক্রেটরি ফাওবা য়াওরে। লাইরিক লাইশু হৈরবা কয়া অমসু য়ু এস এ, কনাদা, মিদ্দল ইষ্টনচিংবা লৈবাক কয়াদা থবক তৌনবসু য়াওনখ্রে। লল্লোন ইতিক তৌবদা মায় ওনশিনবা নহারোল কয়া অমসু থোরক্লে। অসুম্না লাইরিক লাইশু হৈবগী চাং ৱাংখৎলকপনা বাংলাদেশ মণিপুরীশিংগী শেল থুমগী ফীভমসু খরা খরদি ফগাৎলক্লি হায়বসি হায়মনবা থোক্লেই।

কোনুং লৈকায়গী মণিপুরী রাজবারি তম্না চৎনবা থোরকপা ওইরবসু সিলেট সিটিগী মরু ওইবা লন্থী অমা অনী থেক্লা কোয়না লাক্লবা তুং মথোল ৱাংলবা এপার্টমেন্ট বিল্ডিং য়াম্না লৈবা Sagardhighi Road তা চৎলগা "Sagardighir Par Manipuri Smasanghat Kali Mandir" চঙলম্মী। মফমসি সিলেট মণিপুরীশিংনা মী লৈতবদা পোৎলোইফম ওইনা লৈঙাক্লা পীবা মফমনি, য়াম্না নান্না থম্মী। মনুং চঙশিল্লগা কালি ইমাগী লাইশঙ অমা লৈরম্মী। ঐখোয়গী খোঙবু নুপী মখৈদি য়াম্না থুনা চঙলগা খুরুম্লুরগা থোরকপা উবদগী বোবিনগা ঐগসু চঙদুনা খুরুম্লকই। মফম অদুদা হন্না তুনা য়েংবীদ্রবা উরুম ৱায়া ওইনা তৌবা মফমদুদা নীংথিরবা ফুৱা অনীখক উরকই। অমনবা মরোল থোক্তবা ফুৱাশিংদুনা ঐহাকপুদি কৌশিনবীরকই ৱা ঙাঙদনা ইঙ্গিৎ খক্তনা, ঐসু অদুম পাউফাওনখি মরোল থোক্তবা ফুৱা ওইরবসু। ফুৱাদুনা খঙবীখিবা মাল্লি ঐগী মতৌসিদা। কনাসু হন্না য়েংবীদ্রবা ঐগী অমনবা শক্তমসিদা ঙাওজরিবা নখোয় ঐগা ফোটো অমমমতংদি নম্মীন্নদুনা পুবিখো হায়রকপগী মতাগুম বোবিনগা ঐগদি ফোটো অমমম নম্মীন্নরকখি কনানসু হন্না য়েংবীদ্রবা ফীভম কায়রবা ফুৱাদুগা। মফমদুদা চেল্লিবা তরু-তরুবা অথেনবা খোংগী লাইজ ঈশিং অদু চেনবনা ওইবতাই Sagardighir par হায়না খঙনরিবা। নাকল্ল অনীদা পক্কা চনবা থোং অসিদা য়োৎকী থোং মচা অমা লাল্লগা চঙলুবনি। নীংথিজৈ মফমদো খোংদুগী নাক য়েৎকী মপান্দা নীংথিরগা লৈরাং কয়ানা কেনা লৈকোন ওইনা শেম্বা মফমনি, খোঙনা চৎফম ওইবা লন্থী মচা অশাংবা অমা লৈ। মফম অসি নুমিদাংদা অৱা পোত্থাফম ওইনা শেমগৎপা পার্ক অমা ওইবজাৎনি। মফমদুগী ফজবদু উরুবদা, ঐখোয় ফোটো খরা নল্লগা থোরকখি। থোরকপদা মফমদুদা লৈরিবা মণিপুরী জগোয় তম্ফম ইন্সটিট্যুট অমদা চঙদুনা মখোয়গী ওজাদু উন্নখিসি হায়দনা চঙবদা ওজাদু লৈরমদবদগী উন্নরকখিদে। (মখা চত্থজরকখিগনি) ●